# বিলকিস বানো গেং রেপতা চেন্নবা মীওই ১১ থাদোকখিবা অদুবু ওপোজিসন লিদরশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
হৌখিবা কুমজা ২০০২ দা গুজরাততা থোকখিবা কাঙলূপ নাইবা থৌদোক অমদা বিলকিস বানোবু গেং রেপ তৌখিবতা নত্তনা মহাক্কী মীৎমাংদা মহাক্কী চহী ৩ খক্তা ঙাইরিবী মচানুপী য়াওনা ইমুং মনুংগী মীওই ৭ হাৎপগী মরালদা জেলদা থল্লকখিবা মীওই ১১ গুজরাত গভর্নমেন্টনা থাদোকখিবগী থৌওং অদুবু নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী ওপোজিসন লিদরশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিত্তা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টকী মতাংদা ঙাঙখিবা ৱাফমশিং অদুবু অরেম্বদা তাহল্লে হায়রি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা লোক সভাগী ওপোজিসন লীদর ওইরিবা অসাম কোংগ্রেসকী এম পি গৌরব গোগোইনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী খুদিংমক্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা গেং রেপতা চেন্নবা মীওই ১১ থাদোকখিবা অসিগী মতাংদা ৱাহং হংবগী মতম ওইরে। গুজরাত গভর্নমেন্টনা গেং রেপতা চেন্নবা মীওই ১১ থাদোকখিবা অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে মদুদি সেন্টরদা অমসুং বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরিবা ষ্টেট খুদিংমক্তা নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইমশিং থিংবগী মহুত্তা মতেং পাংশিনবা ওইনা থোক্লে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেটি বচাও হায়না লাউরি অদুগা গুজরাততা লৈরিবা মহাক্কী লৈঙাক্না রেপিষ্টশিংবু শৌগৎলি। মসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী খুদিংমক্কী ওইনদি য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি। রেপিষ্ট ১১ থাদোকখিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী নুপীশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা শোয়দনা লাক্লগনি হায়খি।

অমরোমদা কুমজা ২০১২ দা থোকখিবা দিল্লি গেং রেপকী ভিক্টিম নিরভয়াগী অপোকপীনা রেপিষ্ট ১১ থাদোকখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা জেলদগী থাদোকখ্রবা রেপিষ্ট ১১ অদুবু তরাম্না ওকপদা য়াওরিবা মীওইশিংবু চৈদুনা ঙাঙখ্রে। মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুবু চৈরাক পীবগী মহুত্তা তরাম্না ওকপগী চৎনবী অমা লাকপসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা নুপীশিংবু রেপ তৌবগী চাং ৱাংখৎলকপনি হায়রি।

# ইষ্ট খাসি হিলসতা চহী শুদ্রিবা মহৈরোয়শিংনা স্কুলদা গাড়ি পুদুনা লাকপদা অথিংবা থমখ্রে



শিল্লোং, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
মেঘালয়াগী ইষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা স্কুলশিংদা চহী শুদ্রিবা মহৈরোয়শিংনা লন্নাই গাড়ি পুদুনা লাকপদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা তুমিন্না গাড়ি পুরকপা স্কুল ওথোরিটিশিংনা থেংনরবদি মহৈরোয় অদুগী মথক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ইষ্ট খাসি হিলস স্কুল এদ্যুকেসন ওফিসরনা ফোঙদোকখিবদা, দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা স্কুলশিংগী প্রিন্সিপালশিং, হেদমাষ্টরশিং অমসুং হেদমিষ্ট্রেসশিংদা নৌনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগা মরী লৈননা অঙৈবা চে পীদুনা খঙহনখ্রে। সুপ্রিম কোর্ট কম্মিটি ওফ রোদ সেফটিগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট রোদ সেফটি কম্মিটিনা এক্সনশিং অসি লৌখৎপা হৌরকখিবনি। কম্মিটিগী রুল মতুংইন্না চহী শুদ্রিবা অঙাংশিংনা গাড়ি থৌবদা অথিংবা লৈ। মরম অদুনা চহী শুদ্রিবা মহৈরোয়শিংনা স্কুল লাকপা মতমদা লন্নাই গাড়ি পুরকপা থিংনবা ফিরেপ অসি লৌখিবনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা গাড়ি থৌবা য়াবগী মথৌ তাবা চহী অদুদি ১৬ নি। অদুবু ষ্টেট অসিদা চহী ১৬ শুদ্রিবা নহা কয়ানা চাকা অনী পানবা গাড়িশিং পাক শন্না থৌবা থেংনরি। চহী ১৬ শুরবা মীওই অমনা গাড়ি মচা থৌবগী অয়াবা পীবা মতমদা মমা মপা অনীমক্কী অয়াবসু চঙই। মরমদি রুলগী মতুংইন্না গাড়ি থৌবা য়াবগী চহী অসি ১৮ নি।

অমরোমদা চহী নৌরিবা অঙাংশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা গাড়ি থৌবগী চাং হেনগৎলকপা অসি খুদোংথিনিঙাই ওই অমদি লম্বীগী ওইবা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী চাংসু য়াম্না হেল্লি। অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবগীদমক মমা মপা ওইবশিংনসু য়াম্না চেকশিনগদবনি হায়রি।

# মেঘালয়াগী দিপ্যুটি সী এমবু হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মুকুল সংমানা হুন্দুনা ঙাঙখ্রে

শিল্লোং, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
মেঘালয়াগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর প্রেষ্টোন তিনসোংনা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ফোঙদোকখিবা ট্রিনামুল কোংগ্রেস হিংনবা হোৎনবদা বি জে পিগা পুনশিন্নবা মথৌ তারে হায়বা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা মেঘালয়া টি এম সীগী সিনিয়র লিদরসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মুকুল সংমানা রিয়েক্ট তৌরকখিবগা লোয়ননা দিপ্যুটি সী এম প্রেষ্টোন নুংথিলদা তুমদনা মমঙ মঙলে হায়না করেম কথায়নখিবগা লোয়ননা এন পি পিগুম্বা অপিকপা পার্টি অমনা টি এম সীগী মতাংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি তাবদা নোক্লিংবা ফাওই হায়না ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মেঘালয়াদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা কোনরাদ সংমাগী এন পি পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মতম লোইশিল্লক্লে হায়বসি মশানা খঙবদগী অঙাওবগী চোইরোল লোনবা হৌরক্লিবনি। মসিদা টি এম সীনা কা হেন্না খঞ্জিল্লুবা তৌদে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না এন পি পিদা থাজবা লৈশিল্লক্ত্রে। এন পি পিবু থাজবা অমদি এন পি পিগী কেন্দিদেট ওইনা লৈরিবশিং মখোয় মখোয়গী ওইনা লৈজরিবা মীওইশিং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরে। মরম অদুনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা এন পি পি চাওনা মায়থিবা নংলগনি অমদি টি এম সীগী ওইবা লৈঙাক অমা লাক্লগনি হায়রি।

# নেসোগী মীৎয়েং মখাদা এম জেদ পিনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

আইজোল, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা সেন্টরনা সীটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হেৎনরিবা অদুগী মায়োক্তা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো)না শিন্দুনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুবু শৌগত্তুনা নেসোগী মশা ওইরিবা মিজো জিরলাই পোল (এম জেদ পি) নসু ঙসি মিজোরামদা সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে হায়রি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা নেসোনা শিন্দুনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী অফস্পা লৌথোক্লবা অমদি সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি মিজোরামদা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা এম জেদ পিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী অফস্পা লৌথোক্লবা অমদি সী এ এ রিপিল তৌনবা দিমান্দ তৌখি। অমদি নোর্থ ইষ্টকী য়েলহৌমীশিং কল্লু হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি হায়রি।

# মীয়াম্না ফুবদগী ক্রিমিনেল কেসতা চেন্নবা ১ শিরে

লক্ষ্মিম্পুর, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
নুমিৎ খরনিগী মমাংদা পুলিস কষ্টদিদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবা মীওই অহুমগী মনুংদা অমদি মীয়াম্না ফুবদগী শিরে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না মীয়াম্না ফুবদগী শিরবা মীওই অদুগী মমিং রাজু বারুৱা এলাইজ গর্জাই কৌই। মহাক নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা মতুং অসামগী লক্ষ্মিম্পুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ধাকুৱাখানাদা লোত্তুনা লৈরম্বা থেংনবদগী মীয়াম্না তমথিনা ফুখিবনি। মীয়াম্না কা হেন্না ফুখিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক মফম অদুমক্তদা শিখি। থৌদোক অদু খাম্নবা হোৎনরুবা পুলিস পর্সনেল অমা য়াওনা হোম গার্দ অমসু অশোক অপন নংখি হায়রি। পনবা য়াবদি ঙসি মীয়াম্না ফুবদগী শিখ্রবা পুলিস কষ্টদিদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা মীওই অসি রেপ অমদি মর্দর কেসতা হকথেংননা চেন্নবা মীওই অমনি। মহাক্কা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অনী কোর্টতা পুথোক্লুবা লাকপদা নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি হায়রি।

# ট্রিপুরাগী সিনিয়র বি জে পি লিদর অমা পার্টিদগী তোকখ্রে, করপসনগী চার্জ তৌরক্লি

অগরটালা, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
ট্রিপুরাদা লৈঙাক পায়রিবা রুলিং পার্টি বি জে পিগী মরক্তা হৌখিবা থা খরা অসিদা চয়েৎনবশিং থোক্তুনা লাকখ্রবা মতুং পার্টি অসিগী সিনিয়র লিদর রনবির ভট্টচার্জি পার্টিদগী তোকখিবগা লোয়ননা পার্টিগী মরক্তা করপসন তৌবা অমদি ৱাখল্লোন তিন্নদবা মশিং হেনগৎলকপদগী মহাক তোকপনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, পার্টিগী প্রাইমরি মেম্বরশিপতগী মহাক তোকপগী অঙৈবা ৱারোল চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা ট্রিপুরা বি জে পিগী লুচিংবা মনিক শাহদা পীশিনখ্রে। মহাক্না পার্টি অসিদগী তোক্লবা ফিরেপ লৌখিবগী মতাংদা হায়, কাইলাশহরগী মণ্দল প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা মতুং মহাক্না হান্না তৌরম্বা অরানবশিং অদুবু চুমকথোক্লবা হোৎনখি। পার্টিগী মরক্তা লৈরম্বা চয়েৎনবা কয়া লোয়শিন্নবা হোৎনখিবা অদুদা মহাক্কী মায়োক্তা পার্টিগী মেম্বর খরসু থোরকখি। অদুবু ষ্টেট লেবর মিনিষ্টর ওইরিবা উনোকোতিগী এম এল এগা নক্লবা মীওইশিং ওইবনা মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইরবসু মহাক্কী মায়োক্তা থবক তৌবগী চাং হেনগৎলকখি। হিরম অসিগী মতাংদা পার্টিগী লুচিংবদা হান্না খঙহনবসু লৈখ্রে। অদুবু লুচিংবা অমা ওইনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলক্তবনা মরম ওইরগা পার্টিদগী তোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।



মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, বি জে পিগী ওইনা লৈরিবা অশেংবা চৎন কাংলোনশিং অদুবু পামজবনা মরম ওইরগা মতম শাংনা পার্টি অসিগী থবক তৌরগা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা বি জে পিগী মরক্তা করপসনগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ক্রাইম কয়াদা পার্টিগী লুচিংবশিং চেন্নবগী থৌদোকশিংসু লেপ্পা লৈতনা থোরক্লি। অমদি নন-বি জে পি ওইবা থবক থৌরম কয়াসু লন্নাই ইন্টরেষ্টতা পায়খৎনরক্লি। মসি পামদবদগী তোকপনি হায়রি।



ভেটেরান স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন খোঙজোম সর্কলনা শিন্দুনা বোসেমনা লৌবা এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলকখ্রবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকপা

## CROSSWORD-3618



### ACROSS
1 Measure of land (4)
3 Scaremonger (8)
9 Large edible crustacean (7)
10 Subject, topic (5)
11 Part of a target next to the bull's-eye (5)
12 Nearer (6)
14 Occur (6)
16 Larger (6)
19 English county (6)
21 Render void (5)
24 Stay in bed longer (3,2)
25 Latter part of the day (7)
26 US legislative body (8)
27 You (archaic) (4)

### DOWN
1 OK (3,5)
2 Outlaw of Sherwood (5)
4 Words of a song (6)
5 Proportion (5)
6 Type of lettuce (7)
7 Fastened (4)
8 Die of hunger (6)
13 Foreword (8)
15 Pointer (anag) (7)
17 Pictures (6)
18 Accentuate (6)
20 Underwater detection system (5)
22 Whinny (5)
23 Group of countries with acommon policy(4)

**Solution 3617**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | A | S | C | A | R | A | | B | R | A | V | O |
| U | | T | | S | | I | | L | | W | | M |
| S | Y | R | I | A | | K | N | U | C | K | L | E |
| T | | U | | R | | I | | E | | W | | N |
| A | S | T | O | U | N | D | | S | W | A | P | S |
| N | | | | L | | O | | | | R | | |
| G | I | F | T | E | D | | H | E | L | D | U | P |
| | | O | | | | P | | P | | | | A |
| S | C | R | U | B | | I | N | S | I | G | H | T |
| T | | T | | L | | C | | I | | O | | I |
| U | N | I | C | O | R | N | | L | A | R | G | E |
| C | | F | | C | | I | | O | | G | | N |
| K | A | Y | A | K | | C | O | N | T | E | N | T |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-4019**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | 2 | | | 5 | | |
| 2 | | | | 3 | 7 | | 6 | |
| | 6 | 8 | | | 5 | | | |
| 7 | | | | | 4 | | 8 | |
| | | 4 | | | | 9 | | |
| | 2 | | 6 | | | | | 4 |
| | | | 5 | | | 3 | 7 | |
| | 8 | | 1 | 4 | | | | 5 |
| | | 5 | | | 6 | | | 8 |

**Solution-4018**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 1 | 8 | 2 | 5 | 4 | 6 | 3 | 7 |
| 6 | 4 | 5 | 9 | 7 | 3 | 1 | 2 | 8 |
| 3 | 2 | 7 | 6 | 1 | 8 | 4 | 9 | 5 |
| 2 | 7 | 1 | 3 | 4 | 5 | 8 | 6 | 9 |
| 8 | 9 | 4 | 1 | 2 | 6 | 5 | 7 | 3 |
| 5 | 6 | 3 | 8 | 9 | 7 | 2 | 4 | 1 |
| 7 | 3 | 6 | 4 | 8 | 1 | 9 | 5 | 2 |
| 1 | 5 | 9 | 7 | 6 | 2 | 3 | 8 | 4 |
| 4 | 8 | 2 | 5 | 3 | 9 | 7 | 1 | 6 |

## EMPLOYMENT NEWS

### SAINIK SCHOOL IMPHAL RECRUITMENT 2022 FOR TGT (SOCIAL SCIENCE)

Sainik School Imphal TGT (Social Science) Recruitment 2022 Advertisement for the post of TGT (Social Science) in Sainik School Imphal. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 13th September 2022. Candidates can check the latest Sainik School Imphal Recruitment 2022 TGT (Social Science) Vacancy 2022 details and apply online at the ssimphal.nic.in/ recruitment 2022 page.
Sainik School Imphal Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ ssimphal.nic.in/. Sainik School Imphal selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of ssimphal.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
TGT (Social Science)
Job Location:
P.O. Pangei Yangdong, Imphal East, 795114 Manipur
Last Date: 13th September 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification: Candidates Should Possess Professional Qualification of B.Ed as on last date of Submission of Application.
Pay Scale: INR 44900-142400/- Per Month
Age Limit: 21-35 years.
Application Fee: Application Fee (non-refundable) in the form of a Bank Demand Draft for Rs.400/- drawn in favour of Principal, Sainik School Imphal, payable at Imphal or Bank of India, Sainik School Branch, Imphal. Application fee can also be deposited online at the School's Bank Account i.e. Bank of India, Sainik School Branch, IFSC Code - BKID0005064, Account Number - 506420110000001. Online payment receipt may please be attached with the application.
How to Apply:
Eligible candidates may apply to the Principal, Sainik School Imphal, P.O. Pangei Yangdong, Imphal East - 795114, Manipur in the prescribed format available at the school's website (https://ssimphal.nic.in) along with attested copies of certificates and testimonials, a passport size photograph, bio-data including working telephone / mobile number, e-mail ID along with a self addressed envelope with stamp of Rs. 25/-. Applications received after the due date or without supporting documents or prescribed application fee or not in the prescribed format will be rejected without any intimation.
Important Dates:
Published on: 11th August 2022
Last date for application is: 13th September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### GSI SHILLONG RECRUITMENT 2022 FOR 25 ORDINARY GRADE DRIVER

Geological Survey of India (GSI) Ordinary Grade Driver Recruitment 2022
Advertisement for the post of Ordinary Grade Driver in Geological Survey of India (GSI). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 13th September 2022. Candidates can check the latest Geological Survey of India (GSI) Recruitment 2022 Ordinary Grade Driver Vacancy 2022 details and apply online at the www.gsi.gov.in/ recruitment 2022 page.
Geological Survey of India (GSI) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.gsi.gov.in/. Geological Survey of India (GSI) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Meghalaya. More details of www.gsi.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Ordinary Grade Driver
Job Location:
Rynjah, Shillong, 793006 Meghalaya
Last Date: 13th September 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 25 Posts (UR-10, SC-04, ST-02, OBC-07, EWS-02)
Educational Qualification:
(a) (i) Matriculation or its equivalent from a recognized Board or University. (ii) Driving license for Light Motor Vehicle (LMV) & Heavy Motor Vehicle (HMV).
(b) (i) 03 years' experience in driving of trucks, jeeps or tractors from recognized organization. (ii) Experience in repairs and maintenance of vehicle.
Pay Scale:
INR
19900-63200/- Per Month
Age Limit: Not exceeding 25 years.
How to Apply:
Application in prescribed proforma completed in all respect should reach by post to "The Additional Director General & Head of the Department, North Eastern Region, Geological Survey of India, Lambatngen, Rynjah, Shillong-793006 within 45 days from the date of publication of this advertisement in the Employment News. The detailed advertisement and prescribed application forms are available on our website: https://www.gsi.gov.in. This Job Source is Employment News 30 July - 5 August 2022, Page No.12.
Important Dates:
Published on: 23rd July 2022
Last date for application is: 13th September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




